# ব্রাজিলগী টাইটল ৫গা মান্নবা হোংনরিবা জর্মেনিনা মখোয়গী রুসিয়া ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮ শরুক য়াগদবা স্কৱাদ লাওথোকখ্রে




বর্লিন, জুন ০৫ (এজেন্সী) ঃ মালেমগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী পুৱারীদা টাইটল ৫ লৌদুনা খ্বায়দগী য়াম্না চেম্পিয়ন ওইবা ঙল্লিবা ব্রাজিলগী রেকোর্দ অদুগা মান্নবা হোংনরিবা জর্মেনিনা রুসিয়ানা যুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৪দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুকয়গদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাওথোকখ্রে।

টিম অসিগী কোচ জোকিম লোনা লাওথোকখিবা জর্মেনিগী টিম অদুদা য়াম্না থাজদবা মওংদা এটেক্টিং মিদফিল্ডর লিরোই সেনগী মমিং য়াওখিদ্রে। অমরোমদা মতম শাংনা জর্মেনিগী গোলকিপর ওইনা শরুক য়ারক্লিবা মেনুএল নুৱরগী মমিং লাওথোকপদা য়াওখি। কুমজা ২০১৪দা ব্রাজিলনা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অদুদা জর্মেনিগী টিম্না চেম্পিয়ন ওইখিবনি। চহী অদুদা জর্মেনিনা ফাইনেলদা আর্জেন্টিনাবু এক্সত্রা টাইমদা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

জর্মেনিগী টিমগা লোয়ননা ফিফা ৱার্ল্ড টুর্নামেন্ট অসিদা ইটালিগী টিমসু টাইটল ৪ লৌবা ঙমখ্রবনি। অদুবু ইটালিগী টিম রুসিয়ানা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌখিবনি।

জর্মেনিগী টিম্না থা অসিগী ১৪দগী রুসিয়ানা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা স্বিদেন, মেক্সিকো অমসুং সাউথ কোরিয়াগা লোয়ননা গ্রুপ 'এফ'তা গ্রুপ মেচশিং শান্নগদৌরি। মালেমগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ক্বালিফাই ওইদুনা লাক্লিবা টিমশিং অসি য়াম্না লায়না লৌবা য়াদ্রি।


জর্মনগী টিম লাউথোকপদা শরুক য়াখিদ্রবা লিরোই সেন

সাউথ কোরিয়া এসিয়াগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মমিং লৈদুনা ক্বালিফাই ওইরকখিবনি। মেক্সিকোনা কেরিবিয়ান, নোর্থ অমসুং সেন্ত্রেল অমেরিকাগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদগী ক্বালিফাই ওইরকখিবনি। অদুগা স্বিদেনগী টিম য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ফজবা ঙমদুনা ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইরকপনি।

নীংশিংবা য়াই নহা ওইরিবা শান্নরোয় লিরোই সেন জর্মেনিগী সেনিয়র টিমদা কুমজা ২০১৫দগী শান্নবা হৌরকখিবনি। মহাক্না লৈবাক অদুগী চহী ১৯ মখাগী টিমদা শরুক য়াদুনা মেচ ১১ শান্নবদা গোল ৮ চনবা ঙমখি। মদুগী মতুংদা চহী ২১ মখাগী টিমদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা মেচ ১০ শান্নবদা গোল ৫ চনবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা জর্মেনিগী কোচ জোকিম লোনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা মহাক্কী টিম অসিনা কুমজা ২০১৪দা ব্রাজিলনা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অদুগী টাইটল লৌখ্রবা মতুং চহী ৫৬কী মতুংদা ৱার্ল্ড কপ দিফেন্দ তৌবা ঙম্বা অহানবা টিম অদু ওইবা ঙম্নবা রুসিয়াগী ৱার্ল্ড কপ অসিদা মহাক্কী টিম্না য়াম্না কন্না হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৭২


১। ওলেম্পিক্কী হোকিগী মেচ অমদা অম্পায়রগী ৱারেপ য়ানীংদবদগী টিম অমদি হোকি ষ্টিকশিং (মখোয়না পায়রিবা) অদু শান্নফম মনুংদা লৈমায়দা থাদদুনা থনম্লগা মপান থোকখি। মখোয় ফিল্ড (শান্নফম মনুং) দা অমুক হল্লকখিদে। মতম হৌখিদুনা মেচ অদু লোইশিনখি। মপান থোকখিবা টিম অদুগী মমিং হায়ু?

২। অরথর ব্রোউলো শগোল কাংজৈগা মরী লৈনবা নুপানি। মুক্নাগী নিঙ্গোং হায়বা টেক্নিক অসিগা করম্বা লাইগা মরী লৈনবগে?

৩। মহাক অফ্রিকাদা লৈরিবা উচেকশিংগী মরমদা চহী ৪০ হেন্না থিজিন খোৎচিন্দুনা মহাদেশ অসিগী উচেক্কী মরমদা লাইরিক ভোল্যুম ৬ ইখি। কুমজা ১৯২৪গী পেরিস ওলেম্পিক্তা মহাক শুটিংগী থৌরমদা মেদল অহুম ফংখি। মহাক্না চহী ৬০শুবা মতমদসু কুমজা ১৯৫২দা পাঙথোকখিবা হেলশিনকি ওলেম্পিক্তা শরুক য়াখি। মহাক্কী মমিং হায়ু?

৪। কুমজা ১৯৭০দা অসামগী বোরপেটাদা পাঙথোকখিবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরসু তোঙানবা টিম অমা ওইনা শরুক য়াখিবদা গুৱাহাটিবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। টিম অদুগী কেপ্তেন ওইখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়ু?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচপু মায়থীবা পীদুনা ইটালিগী মার্কো চেসিনাটো সেমী ফাইনেল য়ৌখ্রে



পেরিস, জুন ০৫ (এজেন্সী) ঃ মালেমগী টেনিস মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টেনিস টুর্নামেন্ট মরিগী মনুং চল্লিবা ফ্রেন্স ওপন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান মতম শাংনা ওইরম্লবা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচপু মায়থীবা পীদুনা ইটালিগী মার্কো চেসিনাটো সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা নোভাক জোকোভিচকী মোর্কো চেসিনাটোগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু চেসিনাটোনা জোকোভিচকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা জোকোভিচকী মায়কৈদগী অকনবা মশান্না উৎলক্নুনা সেট অদু মায় পাক্নবা হোৎনরকপদা চেসিনাটোগী মশান্না অদুগা লেং মান্নবদগী গেম ৬/৬ থোইনদুনা টাই ব্রেক্তা লাকখি। টাই ব্রেক অদুদা ইটালিগী শান্নরোয় অদুনা জোকোভিচপু ৭-৪দা থোইরগা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু সেট ২-০দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা সেটতা সর্বিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা ২০শুবা সীদেদ ওইরিবা জোকোভিচনা য়াম্না হেন্না ফজরকপদগী ইটালিগী চেসিনাটোগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬-১দা থোইরগা ২০শুবা সেটকীদমক শেম শান্নখি। নহা ওইরিবা চেসিনাটোগী মায়কৈদগী মরিশুবা সেট অদুদা জোকোভিচপু সর্ভ খুদিংমক লম্বা পীরগা মেচ অদুদা অমুক হন্না শান্নরোয় অনীমক টাই ব্রেক শান্নখি।

টাই ব্রেক অদুদা চেসিনাটোনা নোভাক জোকোভিচপু পোইন্ট ১৩-১১দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল অদু মায় পাক্লগা সেমী ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগা লম্বা তৌনরগনি।

দোমিনিক থিয়েমনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপাগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সীদেদ শান্নরোয় জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেপপু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬-৪, ৬-২, ৬-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা য়ু এস এগী শান্নরোয় অনী মেদিসন কিজ অমসুং স্লোনে ষ্টেফেন্স সেমী ফাইনেলদা লম্বা থেংনরগনি। স্লোনে ষ্টেফেন্সনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ঙসি রুসিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-১দা মায়থীবা পীরমখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা য়ু এস এগী শান্নরোয় মেদিসন কিজনা কাজখষ্টানগী শান্নরোয় য়ুলিয়া পুটিনসেভাবু অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং ৭-৬ (৭-৫), ৬-৪দা থোইদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লকখিবনি।

# ইন্দিয়াগী সাইনা অমসুং সিন্ধুনা তোঙান তোঙানবা একাদেমিদা মখা তাবা ত্রেনিং চত্থরি

ন্যু দেল্লি, জুন ০৫ (এজেন্সী) ঃ ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী লমদা লৈবাক অসিগী মীংচৎ কয়া পুরকপা ঙমখ্রবা নুপীগী শান্নরোয় অনী সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধুনা টিম কোচ ওইরিবা পুলেলা গোপিচান্দগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা একাদেমিদা শান্নরোয় অনী অসিবু ত্রেনিং পীরি।




চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা যুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমসকী নুপীগী বেদমিন্টন সিঙ্গলস ফাইনেলদা সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধু গোল্ড মেদলগীদমক লম্বা তৌনখি। মদুদা সাইনা নেহৱালনা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং সিন্ধুবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

ইন্দিয়াগী নেসনল টিমগী কোচ ওইরিবা পুলেলা গোপিচান্দনা শান্নরোয় অনী অসিগী মপাঙ্গল অমদি মশান্না অদু তোঙান্না লোৎশিন্দনা থম্লবা মতুং মালেমগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগা থেংনরকপদা মখোয় মখোয়গী লাল্লোংশিং অদু মান্নদবা মওংদা পুরক্নবগী পান্দমদা ত্রেনিং সেন্তর তোঙান্না থমখিবনি।

পনবা য়াবদি, পুলেলা গোপিচান্দগী লমজিং মখাদা শান্নরোয় অনীমক পুন্না মমাঙদা ত্রেনিং চত্থদুনা লাকখিবনি। অদুবু মালেমগী নুপীগী বেদমিন্টনগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনীমক মকোক থোংবা ওইবা মরম্না মখোয় মখোয়গী মশান্নগী অশোনবা অমসুং অকনবা মায়কৈশিং অদু মখোয় মশেল খঙনবগী মহুত্তা তোঙান্না লোৎশিন্দুনা থম্লগা অতোপ্পা লৈবাক্কী শান্নরোয়শিংগা থেংনবদা অহেনবা কান্নবা পুরক্কনি হায়বগী পান্দমদা ত্রেনিং সেন্তর পুল্লম্বদগী তোঙানখিবনি হায়না পুলেলা গোপিচান্দনা ফোঙদোরকখি।

গোপিচান্দনা মখা তাখিবদা, পি ভি সিন্ধুনা সাইনা নেহৱালগা থেংনখিবা লম্বাদা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেলথ গেমসকী ফাইনেলদা মায়থীখিবা অদুনা থংনা থংননা সাইনা নেহৱালগী মখূৎতা মেচ অহুম মায়থীবা ওইখি।

কুমজা ২০১৭কী ইন্দিয়ন নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা সাইনা নেহৱালনা পি ভি সিন্ধুবু মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুংদা চহী অসিগী হৌরকপদা পাঙথোকখিবা ২০১৮ ইন্দোনেসিয়া ওপন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা অমুক্কসু মায়থীরবা মতুং কম্মনৱেলথকী ফাইনেলদা মায়থীখি।

পি ভি সিন্ধু থা অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেসিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট শরুক য়ারবা মতুং মদুগী মতুং ইন্দোনেসিয়া অমসুং থাইলেন্দ ওপনদসু শরুক য়াগদৌরি। মহাক টুর্নামেন্ট অহুম অসিগী মখা তারকপা সিঙ্গাপুর ওপন অদু পোত্থারগা চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকীদমক শেম শাগনি হায়রি।

# নোর্ৱে চেছতা ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন আনন্দনা ফ্রান্সকী মেক্সিম লাগ্রেবপু মায়থীবা পীখ্রে

ষ্টাবেঙ্গর, জুন ০৫ (এজেন্সী) ঃ ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন মঙারক ওইরম্লবা গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দনা ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা অলটিবোক্স নোর্ৱে চেছ টুর্নামেন্টকী ৭শুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী শান্নরোয় মেক্সিম লাগ্রেবপু মায়থীবা পীখ্রে।



ঙসি মায় পাকখিবা অদু ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন আনন্দনা রাউন্দ ৬ শান্নরকপদা অহানবা মায় পাকপা গেম ওইখি।

পনবা য়াই, আনন্দনা মমাঙদা শান্নখিবা রাউন্দ তরুক্তা তরুকমক দ্রো চৎতুনা লাকখিবনি। অদুবু চাইনাগী শান্নরোয় লিরেন শোকপদগী মখা তানা শরুক য়াখিদবা মরম্না আনন্দনা মহাক্না শান্নবা দ্রো চৎখিবা পোইন্ট অদু মাঙজদুনা পোইন্ট ২.৫ ফংদুনা লাকখি। ঙসিগী মেচ অদুদা আনন্দনা অমুবা মচু পায়রগা লাগ্রেবকা লম্বা তৌনরকপদা হৌরকপদা লম্বা মান্নরম্বদগী মিদল গেমদা লাগ্রেবনা খুৎলায় পাঙ্গল খরা হেনবদগী আনন্দনা চেকশিন্না শান্নখি।

লোইশিল্লকপদা আনন্দগী এক্সপরিএন্স লৈরবা মশান্না অমনা লাগ্রেবকী খুৎলায়শিং অদুগী পোজিসন অদু চাইথোকহন্দুনা মহাক্কী খুৎলায়গী পাঙ্গল শেম্না ঙমখিবদগী গেম অদু মায় পাক্নুনা পোইন্ট ৩.৫ ফংলগা অতোপ্পা শান্নরোয় অহুমগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক থোংনা লৈম্নরি।

# ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপ ফাইনেল য়ৌবা পামখি : কন্সটেন্টাইন

মুম্বাই, জুন ০৫ (এজেন্সী) ঃ ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইরগা মুম্বাইদা চত্থরিবা লৈবাক মরিগী ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হৌরকপদা ইন্দিয়ানা ফাইনেল য়ৌবা পামখি হায়না ফাইনেল য়ৌরবা ইন্দিয়াগী টিম কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেন্টাইননা ফোঙদোকখ্রে।



এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মায়কৈদগী চাইনিজ টাইপৈ, অফ্রিকা ফুটবোল কনফিদরেসন্দগী কেনিয়া অমসুং এসিয়া ওসিনিয়া ফুটবোল কনফিদরেসন্দগী ন্যুজিলেন্দ য়াওনা পুন্না লৈবাক মরিনা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী মুম্বাই সিটিদা ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা অদুগী মাঙজৌননা ইন্দিয়াগী টিম কোচ ওইরিবা ষ্টেফেন কন্সটেন্টাইন্না কপ অসিগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম য়ৌহনবা পামখি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, ঙরাং শান্নখিবা রাউন্দ রোবিন লীগ ফোর্মেটতা শান্নবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেচতা ইন্দিয়ানা কেনিয়াবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা মেচ অনী থংনা থংননা মায় পাক্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসিনা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন কপ্তা অফবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্নবগীদমক শেম শাবা টুর্নামেন্ট ওইনা ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেচতা ইন্দিয়ানা চাইনিজ টাইপৈবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইখি। ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবা মেচ অনীমক্তা টিম অসিগী কেপ্তেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিগী য়াম্না চাউবা কন্ত্রিব্যুসন লৈখি। অহানবা মেচ অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী হেটত্রিক চনবা ঙমখি। হায়রিবা মেচ অদুদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা উদান্তাসু পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

ঙরাংগী কেনিয়াগা শান্নখিবা মেচ অদুদা অহানবা হাফতা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদ্রবসু অনীশুবা হাফতদি ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা অহেনবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্বদগী পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। মদুদা সুনিল ছেত্রিনা পেনালটি কিক অমদা চনখিবা পাঞ্জল য়াওরগা পাঞ্জল অনী চনখি। অতোপ্পা পাঞ্জল অদুনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেট অমা ওইরিবা মিজোরামদগী হৌখিবা জেজে লালপেখুলুৱানা চনখিবনি।

# ৱর্ল্ড জুনিয়র স্কৱাস চেম্পিয়নশিপকী ইন্দিয়াগী টিমদা জনিয়া সিংহ য়াওখ্রে



চান্দিগড়, জুন ০৫ (এজেন্সী) ঃ ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইদুনা মথং থাদা চেন্নাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র স্কৱাস চেম্পিয়নশিপ্তা লৈবাক অসিগী টিমগী মমিং লাউথোকপদা চহী ১৫দা ঙাইরিবী চান্দিগড়দগী হৌখিবী জনিয়া সিংহ য়াওখ্রে।

ইন্দিয়াগী স্কৱাস রেকেটস ফেদরেসন্না ঙরাং চেন্নাইদা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র স্কৱাস চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৫গী মমিং লাউথোকপদা জনিয়া সিংহগী মমিংসু য়াওখিবনি। জনিয়া সিংহ য়াম্না নহা ওইনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা জুনিয়র টুর্নামেন্টশিংদা মকোক ওইদুনা অফবা শান্নরোয়শিংগী মনুং চল্লকপনি।

চেন্নাইদা লৈবা ইন্দিয়ন স্কৱাস একাদেমিদা মমাঙ থাগী ২৪দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী টিম খনবগী ত্রাইএলদা মহাক্কী মমিং য়াওরকপনি।

জনিয়া সিংহনা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিমদা শরুক য়ারকপা অসি স্কৱাস মশান্নগী ওইনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা খ্বাইদগী নহা ওইবা অনীশুবা শান্নরোয় ওইরি।

পনবা য়াই, জনিয়া সিংহনা চহী ১৫ মখাগী দেল্লি য়ুনিয়র ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্ট অমসুং বেঙ্গল জুনিয়র ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু চহী নৌনা লৌবা ঙমখিবনি।

চেন্নাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র স্কৱাস চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৩০দগী লাকপা শান্নরোয়শিংনা লম্বা তৌনগদৌরি।

## বোদিবিল্ডরশিংগী ত্রাইএল সেলেক্সন

ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না চহী অসিগী ওগষ্ট ৩১দগী সেপ্টেম্বর ১ ফাওবা ঝটিশগরগী কোনুং রায়পুরদা লৈবা শ্রী বলবির সিংহ জুনেজা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইএল সেলেক্সন অসিনা পুনেদা চহী অসিগী ওক্টোবর ২দগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫২শুবা এসিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ অমসুং ১০শুবা ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং অমসুং ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা ইন্দিয়াগী বোদিবিল্ডর খন্নবগীদমক মণিপুরগী ওইনা জুলাই ১দা ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোল্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না শিংজমৈ চোংথাম লৈকায়দা লৈবা ফিটনেস ৱর্ল্ড সেন্তরদা জুলাই ১গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা মণিপুরগী বোদিবিল্ডরশিং খনবগী ত্রাইএল সেলেক্সন অমা পাঙথোল্লগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী বোদিবিল্ডর খন্নবগী মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রী ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফ্যের এসোসিএসন্দা রেজিষ্টর তৌরবা বোদিবিল্ডরশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি হায়না প্রেসতা ঙসি এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

এসোসিএসনগী চেরোল অসিনা কুমজা ২০১৮-২০১৯গী ওইনা চহীগী ওইবা ত্রান্সফর পাঙথোকপগী মতম অদু থা অসিগী ১৫দগীনা ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বোদিবিল্ডিং ওর্গেনাইজেসন/এসোসিএসনশিংগী শান্নরোয়শিংনা ত্রান্সফর তৌনবগী তাঞ্জা অদু শিংজমৈ চোংথাম লৈকায়দা লৈবা কে এফ সী শিংজমৈ অমসুং ফিটনেস ৱর্ল্ডগী ওফিসতা অয়ূক্কী পুং ৭তগী ৯ ফাওবা অমদি নুংথিলগী পুং ৪দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম লৌরগা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিনগদবনি হায়রি।

## আর্মিনা ফুটবোল ফ্রেন্দলি মেচ শীনখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৫ (ঐচএনএস) : রেদ সিল্ড দিভিজনগী লমজিং মখাদা লোক্তাক বৃগেটতা লৈবা ঙাইখোং খুনৌ বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা মফম অদুদা লৈবা ফুটবোল গ্রাউন্দদা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অমা শিনখ্রে।

ঙসি ঙাইখোং খুনৌ ফুটবোল গ্রাউন্দদা ঙাইখোং খুনৌ আর্মি কেম্পকী টিমগা শ্বাংফুন নুঙান ফুটবোল ক্লবকা ফ্রেন্দলি মেচ অমা শান্নখি। হায়রিবা ফুটবোল ফ্রেন্দলি মেচ অদু মফম অদুদা লৈবা নহাশিংগী ৱাখলদা শান্নবনা হকচাং ফবা অমদি লম্বা তৌনীংবগী ৱাখল্লোন অদু পুখৎনবা হোৎনবদা মেচ অদু শিনখিবনি হায়রি।

আর্মিগী টিম অদুদা লোকলগী ফুটবোল ক্লব অদুগা লম্বা তৌনখিবা ফ্রেন্দলি মেচ অদু মশীং য়াম্লবা ক্লব অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামশিংনা মীৎয়েং তাখি। মফম অদুগী ভিলেজ চীফ অমদি মায়কৈ অনীগী শান্নরোয়শিংনা আর্মিনা শিনখিবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মায়কৈ অদোমদা শান্নবগী লমদা গ্রাসরুট লেভেলদগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং পুথোক্কবা হোৎনবা অমসুং সিভিল অমসুং মিলিটরি অনীগী মরক্তা লৈনবা মরী অসি হেন্না মপাঙ্গল হেনগৎনবা অপাম্বা অদু থম্মখি।